# এন দি এগী খোঙবু ওইরবসু ইন্নর অমসুং আউটরদা মীরেপ থাদোক্কনি ঃ সিব সেনা মণিপুর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭(এস এন এস) ঃ

সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা এন দি এ লৈঙাক্তা সিব সেনা অসি খোঙবু অমা ওইনা চৎমিন্নবা তারবসু লাক্কদৌরিবা ইং ২০১৯গী পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা পার্টি অসিনা ইন্নর অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ থাদোক্তুনা বি জে পিগা মরুপ মপাং ওইনা মীখল থেংনগনি হায়না সিব সেনা মণিপুর ষ্টেট ইউনিটকী ষ্টেট সেক্রেটরি লিয়ান গাংতেনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বাবুপরাদা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, ঙরাং চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহদা চেম্পিয়ন ওফ চেঞ্জেজগী মনা পীরকপা অদু পার্টিনা তরাম্না ওকই। মণিপুরগী মীয়াম্নসু হরাউফম থোকই।

মহাক্না হায়, এন দি এনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংদা মুর্টি কয়া শাদুনা শঙ্গাবা অমসুং কয়া অমনা শাগনি হায়বসি য়াম্না ফৈ তৌবতবু ৱাফম অসিদা লুপা ক্রোর কয়া চংলিবা শেনফম অদু লৈত লায়রবশিংগী য়ুম কৈশাবদা থাদরবদি মীওই কয়া লৈফম চাফম পীবা ঙমগনি হায়নিংই।

লমগী মমিং তোয়না হোংবা অমসুং তোঙান তোঙানবা এয়ারপোর্টকী মীং হোংবা অসি অফবা খোঙথাং নত্তে। এন দি এ লৈঙাক লাকপা মতমদা মীপুম খুদিংমক্কী একাউন্টতা লুপা লাক্ষ ১৫–১৫ চংহনগনি হায়বদু লৈঙাক অসি চহি ৫ মপুং ফারক্কদৌরে মখোয়গী লাক্ষ ১৫ অদু কদায়দা হাপচিনখ্রবগে হংখি।

ইন্দিয়া অমসুং ম্যানামারগী ঙমৈখদা ইং ১৯৪৯ দা মহারাজ বোধচন্দ্রনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনশিনখিবা মতমদা লম য়াওনা তিনখিবনি। হায়রিবা মণিপুরগী লম অসি হন্দক মোরে অমসুং ম্যানমারগী তাইনবদা লৈরিবা ঙমখৈদা নাখে শেংদনা লৈরিবা অসি নুংঙাইতে। মরম অদুনা সর্ভে ওফ ইন্দিয়া, এম ই এ অমসুং এম ঐচ এগী টিম অমনা লাক্লগা মণিপুরগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং মীহুৎশিং য়াওহন্দনা নারোলদা সর্ভে তৌরমখিবা অদু কন্দেম তৌই। অমুক হন্না রিসর্ভে তৌগদবনি।

নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি ৱারোইশিন পুরকপদা তরাম্না ওকই। অদুবু মসিগী ইশু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী ফুরুপশিং কাঙ খোং চাইহনবদি য়ারোই। মরম অসিনা পার্টি অসিনা ইন্টিগ্রিটি অমসুং অপুনবগী শক্তম অসিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়না লেপ্লি হায়খি।

পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ঙরাংমক দিল্লিদা চত্তুনা হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম অসিদা মণিপুরগী ইশু কয়া অসি হাউসতা পুথোকহন্নবা সেন্ত্রেল লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা তক্নরুনবা খোঙশানখ্রে।

মতম শাংনা সিব সেনানা নেসনেল হায়ৱে অনি অসিদা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্নবা দাবি তৌদুনা লাকপনি। লম্বী অনি অসিদা অথুবদা ঐচ পি এফ থম্বীনবা দিমান্দ তৌরি। লোয়ননা লম্বী অনি অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখলগী কেম্পেইন লাকপদা মালেমগী থাক্তা লেন মরিগী লম্বী শেমগনি হায়না লাওথোক্লস্বা লম্বী অদু কদায়দা চৎখ্রবগে হংনিংঙাই ওইরি।

পংহায় হায়বা নত্তবদা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌহন্নিংই। লৈঙাক্না শকখিবা ৱাশকশিং অদু মীয়ামদা উৎ চাইরিব্রা হায়বদু হংনিংই।

মণিপুরদা ইশু কয়াদা সেন্টরনা হকচিন্না লৌদবা অসি অতোনবীগী মচাগী মীৎয়েংদা য়েংবিরব্রা হায়বগী চিংনবা লাক্লে। অদুবু প্রজাগী তৌফম থোকপা অদু তৌরক্তবদগী হায়দবা য়াদদুনা হায়রকপনি। প্রজাশিংগী ফংফম থোকপা ফংলক্তবা তারবদি সিব সেনানা তুমিনা য়েংদুনা লৈরোই হায়খি।

মণিপুর লৈঙাক্নসু সেন্টরদা লৈরিবা শেল থুমগী ফিভম অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী শেল থাদোরক্তবা অসি অনৌবা চহিনা লাকপগা লোয়ননা পেকেজ পীবিদুনা শোত্থরবা ষ্টেট অসি হেন্না য়োকখৎহন্নিংই হায়খি। পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন সি ঐচ সুরজিৎনা হায়, লাক্লিবা ইং ২০১৯গী মীখলদা সিব সেনানা ভোট লেপ্পগা ঠিকা তৌরোইদৌবা, অপুনবা মণিপুরবু নুংশিবা ঙম্বা মীওইশিং মীরেপ ওইনা থাদোক্লবা শেম শাবা লোইরে। মীখল অসিদা পার্টিনা এন দি এগী মীরেপগা মরুপ মপাং ওইনা মীখল থেংনগনি হায়খি।

# সলাই হেল্ডিংসকী থৌওং মীয়ামদা শীংনবনি ঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা লন্নাই কম্পনি অমনা মীয়ামগী পাঙ্গল ওইরিবা দেমোক্রেসিগী য়াম্না মরু ওইরিবা য়ুম্বী অমবু শীংনখিবগীদমক মাওইষ্ট কম্মুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা লূপ অসিগী চেরোল অসিনা মরাল কয়ামরুম শিরদুনা হায়, বি জে পি না লৈঙাক পায়রক্লবা মতূংদা দেমোক্রেটিক ওইবা ঈহৌ খুদিংমক নমথরকপদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী থৌওং অসিনা নাকোয়ননা নৎত্রগা অতম্ননা দেমোক্রেসিদা চাওনা শীংনখি। ঙসিদি মীয়ামগী খোল্লাওনা মীয়ামগী পাঙ্গল ওইরিবা দেমোক্রেসিগী য়ূম্বীবু কঞ্জবা ঙমখ্রে মরম অদুনা মখা তারকপা অসিদি মীয়ামগী মচিলবু ফিবুল নম্নবা হোৎনখিবশিংবু মাওইষ্টনা চপ চাবা পারা অমা তম্বীবা তঙাইফরক্তে। থৌদাং অসিসু মাওইষ্টনা চপ চানা লৌগনি। মাওইষ্ট কম্মুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা রিজনেল ফোর্সশিংবু মপূং ফানা শৌগৎপা খক্তা নত্তনা মখোয়গীদমক লেপকনি হায়বা ৱাফম মীয়াম খঙনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

রিজনেল ফোর্স হায়বসি রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি ওইবা য়াই, য়েলহৌ লাইনীং অমসুং নাৎ ওইবা য়াই নৎত্রগা লোকেল ইনভেষ্টর, ইন্টর্প্রেনিয়র ওইবা য়াই হায়নসু লূপ অসিনা ময়েক শেংনা লাওথোকখ্রবনি। লৈবক থিবদি সলাই হোল্ডিংস কৌবা শগোলবন্দ তেরাদা হেদ ওফিস ওইবা লন্নাই কম্পনি অসিনা দেমোক্রেসিদা মীয়ামগী পাঙ্গল ওইরিবা য়ূম্বী অমবু নমথনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী শাদোং ওইখিবসিদি ঙাকপীফম থোক্তে। লন্নাই কম্পনি অসিনা চত্থখিবা থৌওং অসি মশা খঙনা লৈঙাক্কী শাদোং ওইখ্রা নৎত্রগা খঙদনা শাদোং ওইখিব্রা হায়বদুদি তরেৎ তরা থোক্না য়েংমিন্নবা চঙলি। মরম অদুনা চয়োল অমা চুপ্পা সলাই হোল্ডিংস পিভিটি. এলটিদিনা ঙকচাও থেকপা তোক্লগা মীয়ামদা নোল্লুকপা থৌওং অমা লাকপ্রা লাক্তব্রা হায়বদু চপ চানা য়েংশিনগনি।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু সলাই হোল্ডিংসনা তৌরিবা অফবা থবকশিংবু লূপ অসিনা শৌগৎলোয়দবগী মরম লৈতে। লূপ অসিনা অফববুদি ফৈ হায়গনি অদুগা ফত্তবা অদুদি ফত্তে শোয়দনা হায়রমগনি অমদি মদু চুমথোক্লবা হোৎনগনি। সলাই হোল্ডিংসকী অরানবা মীৎয়েং অসি মতূংদা অমুক হন্না লমদমনরক্তনবা চপ চাবা পারা অমদি শোয়দনা ওইহল্লমগনি। নাকল অমরোমদা মীয়ামদা শীংনবা তোক্তুনা খুন্নাইগী চাউখৎ লমজেলদা শরুক য়াগনি হায়রগদি মাওইষ্টনা অশোয়বা চাম্মসু ঙাকপীবা ঙমগনি। লাইবক থিবদি বি জে পি লৈঙাক অসিনা দেমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসন ময়াম অমা মুত্থৎনবা হোৎনরকপা মতমদা সলাই হোল্ডিংসনা লৈঙাক্কী খুদুং ইনবগী থাক্তা থৌদাং লৌখিবসিদি তরাই তরাইনা লৌবা য়াদবা থাক অদু ওইখি। মণিপুরগী রিজনেল ফোর্স খুদিংমক মীয়ামগী মীচঙদা লেপ্পীয়ু, লৈঙাক্কী খুদুং ইনবা ওইবিগনু। অসিগুম্বা অকায়বা লাঙ্গৈই চল্লবা তাঙ্কক অসিদা শিনফম খুদিংমক্তা লৈরিবা অচুম্বগীদমক কখোল্লবা মশীং য়ামদবা মীওই কাঙলূপ খরনা চেঙথোক্লকপদগী খুন্নাই অসিদা অনৌবা থৌনা অমা পীররে। অসিগুম্বা খুন্নাইগী তাঙ্কক অসিদা অচুম্বগীদমক লেপখিবশিং মরু ওইনা আর্টিষ্ট, পাউমী, মহৈরোইশিং, লাইরিক লাইশু হৈবা মীওই খুদিংমকপু লূপ অসিনা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। খোঙচৎ অসি অহৌবা খোঙকাপনি হায়বা খঙবীদুনা ঐখোয় খুদিংমক খূৎশম্ননা মখা তানা পন্থুং য়ৌনবা চৎমিন্নরসি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ঙরাং দিসেম্বর ২৫ দা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমদি এদিটরস গুল্ড, মণিপুর (ই জি এম) গী জেনরেল বোদি মিটিংনা লৌখিবা ৱারেপ অদু মাওইষ্ট কম্মুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা তরাম্না ওক্লি অমদি খোঙথাং অসি মণিপুর মীয়াম্নসু তরাম্না ওকপীয়ু। মণিপুরদা লৈরিবা পাউমীশিং অসি থম্মোয় শেংনা কখোকপগা লোয়ননা অপীকপা খূৎশূমলদা মীয়ামগীদমক হোৎনজরিবা অচঙবা থৌমীশিংনি হায়বসি মীম্না কাওবীগনু অমদি মখা তানা মখোয়গী কখোকপবু মীয়াম্না ইকায়খূম্নবীয়ু। মাওইষ্টকী ওইনা ঙসি ফাওবদা পাউমীশিংগী থম্মোয় শোত্থবা য়াবা থবক থৌরম অমত্তা তৌখিবা লৈত্রি, পাউ হাপ্তবা য়ারোই হায়না কিহনবগী থৌওংসু ঙসি ফাওবা চত্থবা লৈত্রি। মসিমক লূপ অসিনা মেদিয়া হাউসতা থল্লিবা ইকায়খূম্নবা অদুগী চপ চাবা খুদমনি। মতূং তারকপদসু লূপ অসিনা মখল অমত্তগী পাউমীশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা পোকহনবা য়াবা থবক অমত্তা তৌরোই, অদুগী মহুত্তা পাউমী মীয়ামগীদমক লূপ অসিনা মাঙজিল থানা চোংথোক্কনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# মিতম শাবগী থবকশিং চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম্না য়েংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭(এস এন এস) ঃ

কাঞ্চিপুরদা লৈরিবা মহারাজ গম্ভিরসিংহগী খুভমদা মমাংগী লৈঙাক্লা মহার গম্ভীরসিংহগী মীতম শাদুনা খিনলম্লবা মতুংদা হৌজিক খুভম অসিমক্তদা মহারাজ নরসিংহ অমসুং হিরাচন্দ্রগী মিতম খিন্নবা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি দিল্লিদগী ইম্ফালদা হেক থুংলবগা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লংথবাল কেন্দ্রগী মীহুৎশু ওইরিবা সি এ এফ এন্দ পি দি অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টর কে শ্যামগা লোয়ননা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মহারাজ গম্ভিরসিংহগী নিংশিং খুভমদা শেমগৎ শাগৎলিবা মহারাজ নরসিংহ অমসুং হিরাচন্দ্রগী খুভম শেমগৎনবা থৌরাং তৌরিবা মফম অদু য়েংশিনখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহারাজ নরসিংহগী নিংশিং খুভম অমসুং মীতম শাগৎপা লোইশিনলক্লে। অদুম ওইনমক হিরাচন্দ্রগী মীতমদি খিনবা হৌদনা লৈরি।

খোঙচৎ অদুগা মরি লৈননা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মণিপুরগী লৈঙাক সাসন্দা চাউনা অকায়বা পীখিবা চহি ৭ খুন্তাকপগী মতমদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মণিপুরবু অমুক হন্না অৱাশিংগী মখুত্তগী কন্নবা হোৎনখিবা মহারাজ গম্ভিরসিংহ, মহারাজ নরসিংহ অমসুং নিংথি তুরেল তান্না অৱাশিংবু তাহোকখিবা, লমদম অসিদা গুরিলা ৱারফেয়ার হৌদোকখিবা হিরাচন্দ্রগী মীতম অমমম মফম অসিদা খিন্নবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখিবনি।

মমাংগী থৌরমদা মহারাজ নরসিংহ অমসুং হিরাচন্দ্রগী মীতম খিনগনি হায়না লাওথোকখিবা অদুগী মতুংইন্না শেমগৎ শাগৎপগী থবক চংশিনলিবনি। মহারাজ নরসিংহগী মীতমদি খিনবা লোইরে। অদুবু হিরাচন্দ্রগীসু মীতম শাবদি লোইরে। থৌরম অদু নংনবা য়ুংখৎনবা শেম শারি। মসিগী মফম অসি শেমজিনলিবা অসি য়েংশিনবা লাকপনি হায়খি।

পনবা য়াবদি খুভম অসিদা হান্নমা মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা মহারাজ গম্ভিরসিংহগী মীতম অমদি খিন্দুনা থল্লম্লবনি।

# চীংদা লম খোপচিল্লকপা থিংনবা পোরম য়াখোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭(এস এন এস) ঃ

লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টতা পাক শন্না য়ুম তাশিল্লকপা অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া অসিগী লাঙ্গোল চীংদা লম খোপচিনলকপা থিংনবা চৎনবা য়াবা পোরম য়াখোক্লবা কম্মিতি অমা শেম্নবা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মরি লৈনবশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

ঙসি চিফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা মহাক মশামক্না ময়ায় তাংবল লৌদুনা ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওঠোরিতি (এল দি এ), অমসুং লেবর অমসুং ইমপ্লোয়মেন্ট দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং হঙ্গৎনা য়েংশিনবগী মীফম অমদা সি এমনা মরি লৈনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবনি।

মীফম অদুদা চিফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হৌজিক লাঙ্গোল চীংদা য়ুম তাশিনলকপগী চাং অসি চীংগী মতোন য়ৌশিনলকপা য়াওরবনি। মরম অসিনা মসিগী খোঙথাং অসি থিংনবা চৎনবা য়াবা পোরম পোমিৎ পুথোক্তুনা আইন কায়না রির্জার্ভ ফোরেষ্টকী লমদা লম খোপচিনলক্লিবা অসি থিংনবা থবক লৌখৎপা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা লমদম অসিগী চীংগী মীয়ামদা অকোয়বগী ফিভম ঙাক শেনবা অমসুং লমলক্কী শা উচেকশিং কন্নিংবগী ৱাখল্লোন অমা লাকপা অসিদা চিফ মিনিষ্টরনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা লম লান্না পাইরকপা অমুর ফেলকোন উচেক অসিবু কন্নবা মীয়াম্না খোল্লাউ লাক্তুনা থবক লৌখৎলকপা অসিমক অফবা খুদমনি হায়খি।

চিফ মিনিষ্টরনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদা মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেন অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী থবক য়াংশিন্না চংশিন্নবা পাউতাক পীখি।

লমকোয়বশিংগী পুক্লিং চিংশিনবা অমসুং মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিনবা অসি য়েংলগা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেন অসি তঙাইফদবা লম অদু লৌশিন্দুনা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা প্রিন্সিপাল চিফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স কে অঙ্গামী অমসুং দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্টকী দাইরেক্টর ডা. ৱাই নবচন্দ্রনা মীফম অদুদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসনগী খুত্থাংদা ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্টনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অদু চিফ মিনিষ্টরদা উৎখি।

মীফম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিল থাদগী ওক্টোবর থা ফাওবদা রেভিন্যু ওইনা লুপা লাক্ষ ৯৮৪.৬৬৮ খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। ফোরেষ্ট রিপোর্ট ২০১৭ কী মতুংইন্না মণিপুরগী অপুনবা উমংগী লম অসি স্কোৱার কিলোমিটর ১৭৪১৮ ওইরি। মসি অপুনবা ষ্টেট অসিগী লমগী চাদ ৭৮.০১দি উমং ওইনা লৈরি হায়বনি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লম অসি স্কোৱার কিমি ১৪৬৭নি অদুগা প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টনা স্কোৱার কিমি ৪১৭১ নি অমসুং অনক্লাস ফোরেষ্টনা স্কোৱার কিমি ১১৭৮০নি হায়না ফোঙদোকখি।

দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগী মায়কৈদগী দাইরেক্টোরেট অসিনা মফম কয়াদা ইকোলোজিকেল পার্ক শেমগৎলি হায়না থমখি।

# চহি চুপ্পা শংহল্লবা লৌবুকশিং ওইহল্লসিঃ পি ঐচ রাজেন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭(এস এন এস) ঃ

লমদম অসিদা লৌরোক অমুকখক্তং লোকপা লোইরগা লৌবুকশিং হাংহন্দুনা থল্লিবা অসি তোক্তুনা চহি চুপ্পা শংহল্লবা লৌবুকশিং ওইহল্লসি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লৌউ শিংউ লোয়শঙগী দাইরেক্টর ফৈরোইজম রাজেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুঙ্গাইপোকপীদা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুর অমসুং মফম অদুগী খোঙজাই চীংখোঙ লৌকোন ফার্মরস ইন্টরেষ্টেদ গ্রুপকা লোয়ননা লৌ পরি ১৫দা হৱাইথরাক লোয়ননা চুজাকশিং থারিবা মফমশিং অদু ঙসি য়েংশিনবগী খোঙচৎ অমগা মরি লৈননা ৱাফম অসি দাইরেক্টর রাজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ২ দা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিদা রবি কেম্পেইন হৌদোকখ্রবা মতুংদা হান্নমা লৌরোক অমা লোকখ্রবা মতুংদা হাংদুনা লৈরক্লবা লৌবুকশিং অসিদা নিংথমগী মহৈ মরোং ওইনা চুজাক, হঙ্গাম অমদি হৱাইথরাকশিং পাক শন্না থাবগী থবক অসি লোয়শং অসিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা খুৎশম্নদুনা চংশিল্লকপনি।

নুঙ্গাইপোকপীদা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুর অমসুং খোঙজাই চীংখোঙ লৌকোল এফ আই সিনা পুন্না পায়খৎলিবা হৱাই থাবগী থবক অসি য়াম্না মায় পাক্লা চংশিল্লি।

মায় পাক্লা থবক তৌরিবা ফার্মর ইন্টরেষ্ট গ্রুপশিংদা লৈঙাক্কী মখাদা পীবা য়াবা মতেং পারগনি। তুরেলগী তোর্বান ওইনা তৌবা মফম ওইবনা লৈবাক লৈহাউসু য়াম্না চেনবা লম ওইবনা মফম অসিদা লোয়শং অসিগী মখাদা স্প্রিঙ্কলর সেটশিং পীরগনি হায়না রাজেন্দ্রনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ঈশিং চিংনবা পম্পসু পীনবা হোৎনরি হায়খি।

লম অসিদা নুঙ লৈঙোই কোৎপনা শিনফম অমা ওইনা শুনরিবা মীয়াম্না লৌউ শিংউগী থবক্তা মায় পাক্লা পাঙথোকপা য়ারকপা অসি খঙলবদি শোয়দনা শিনফম অসিদা মায় ওনশিন্নরক্কনি হায়খি।

হান্না লৌমীশিংনা পুথোকপা পোখোকশিং অদু য়োন্নবা কৈথেলগী অৱাবা লৈরম্বা অদু লৈঙাক্না অমুক হন্না লৈশিন্নবা থৌশিল শেম্লকপদগী মদুগী অৱাবা অদু কোকহননবা ঙম্লগনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ঙায়োক লোয়শংগী মখাদা লাক্লিবা জনুৱারি থা অসিগী মনুংদা ঙাগী মচিঞ্জাক শুংনবা মিল চল্লাইবা হৌনবা থবক লৌখৎলি। মসিগী চংগদবা চুজাকশিং অদুসু ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংদা থারগা পুথোকহন্নবা লৌউ শিংউ লোয়শংনা থবক লৌখৎপা হৌরে।

মসিগী থৌরাং অসিগী মখাদা লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোখোক খুদিংমক অসি লৈঙাক্না লৈশিন্নবা পান্দম থল্লিবনি ।মসিগী থৌরাং অসিনা লৌমীশিংনা চহি অমদা অহেনবা ইনকক ফংহনবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইং ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংগী ইনকম তঙ্খাই হেনগৎহন্নবগী শরুক অমনি।

# হোস্পিটাল থোঙ লোল্লকপা য়াই: টিচরস...

*লমায় ১গী মখা*

জেনিমসকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. লোইতোংবম নেলসননা হায়, মতম কুইনা এসোসিয়েসন অসিনা মতম কয়াগী মমাংদগী তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দশিং অসি জেনিমস ওঠোরিতিনা করিমত্তা তাবীদবা অমসুং থবক ওইনা ওম্থোকপীদনা লৈরি।

হৌখিবা ওক্টোবর ২ দা চিফ মিনিষ্টর বঙ্গলোদা এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা চিফ মিনিষ্টরগা ফম্মিন্নদুনা ৱারি শাবদা চিলহায় ওইনা অয়াবা পীখ্রবা রিগুলার সেনিয়ার রেসিদেন্ট, ট্যুটর দোমোন্সত্রেটরশিংগী প্রমোসন অসি ইং ২০১৯গী ফেব্রুৱারি ফাওবগী মনুংদা পীরগনি অমসুং অরিবা পেন্সন স্কিম অসি ইং ২০২২ ফাওবা হায়বদি পেন্সন ফংবা য়ারবা মীওই অমনা চহি ২০ থবক তৌরকপগী মতম অসি ফাওবপীরগনি হায়বা ৱাফম অসি ঙসি ফাওবদা থবক ওইনা ওম্থোকপীদনা লৈরি।

মসিদা নত্তনা জেনিমসতা অনৌবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌবগী এদভর্টাইজমেন্ট ককপগা লোয়ননা ৱাফম অসি য়ান্নবা পুরক্লিবা ফাওবা থবক লৌবগী এদভর্টাইজমেন্ট থোক্তনবা হায়না য়ান্নখি। মদুগী মায়োক্তা দেন্টেল কলেজদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌনবা এদভর্টাইজমেন্ট থোকচিনলকখি।

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসারদগী এসোসিয়েট প্রোফেসারদা প্রমোসন পীবা, এসোসিয়েট প্রোফেসারদগী প্রোফেসার কাবগী থবক অসি মীখরদং কাহনলগা টিচিং ষ্টাফশিং অসি ঙসি ফাওবা তান্নরকপদা শিনবিদনা লৈরি। মসিগা লোয়ননা তেন্যুর এস আরশিং অসিদা জেনিমসকী মহৈরোইশিংনা এস আর কাবা য়াদ্রিবা ফাওবা লৌরিবা এস আরশিং অসি রিগুলার এস আর থম্নবা হায়নখিবা লৈখ্রে।

কেজুয়েলিতি মেদিকেল ওফিসার ওইরবসু নন পি জি এম বি বি এস দিমোন্সত্রেটরশিং অসিগী তাইমস্কেল প্রমোসনগী খুদোংচাবা অমা পীবিদনা লৈরি। মসি ওঠোরিতিশিংদা হাজয়রবা ফাওবদা থবক্তা ওম্থোকপীরক্তবদগী পামদ্রবসু পামদনা ষ্ট্রাইক অসি তঙাইফদনা তৌরকপনি।

খোঙজং অসি চয়োল অমা ব্লেক বেজ থেত্তুনা দিসেম্বর ২৬ ফাওবা খোঙজং চংশিল্লবা মতুংদা ঙসি অসি পাক্তক্লনা কেজুয়েল লিভ লৌরগা ৱাকৎ মীফম চত্থবনি। মসিদা করিগুম্বা মরি লৈনবা ওঠোরিতিনা জনুৱারি ৩ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওম্থোকপীদ্রবদি হোস্পিতাল অসি থোঙ লোনবগী খোঙজং চংশিন্নবা টিচর এসোসিয়েসনগী হৌখিবা দিসেম্বর ১৪ দা পাঙথোকপা অথুবা জেনরেল বোদি মীফমনা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি হায়খি।

টিচর এসোসিয়েসননা মমাংদগী হৌদুনা মহৈরোইশিংগীদমক লেপ্তুনা লাকপনি। লোয়ননা মতুংদসু মসি লেপখিগনি। মরম অসিনা লাক্কদৌরিবা পরিক্ষাশিংদা মথৌ তৌগদবা ওজাশিংদি খোঙজং অসিদগী কোমথোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী দাক্তরশিংগী খোঙজং অদুনা ও পি দিশিং থবক তৌখিদে অদুম ওইনমক কেজ্যুয়েলিতিদি থোঙ হাংদোকখি। ওজাশিংগী খোঙজং অদুনা অথু অকায়গী নত্তনা রুটিন ওপরেসনশিং য়েথোকখি।

# বোসেমগী সেক্রেটরী,এগজাম কন্ট্রোল্লর...

*লমায় ১গী মখা*

হাপ্তুনা ৱাথোক অসি থীজিল্লকখিবনি হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়,ইনক্কারি রিপোর্ট অদু চহী অসিগী ওগষ্ট ২৪দা মণিপুর লৈঙাক্তা পীশিনখ। লৈঙাক্তা পীশিনখিবা রিপোর্ট অদুদা অহানবা পোজিসন্দগীনা ২৫ ফাওবদা লৈখিবা মহৈরোই ৭১গী পাউখুম চেশিং অমুক নৌনা য়েংশিনবদা অরানবা অমসুং অশোয়বা কয়ামরুম য়াওরম্বা থেংনখি হায়না পল্লি। মসিদসু নত্তনা পোজিসন ২৫ ফাওবদা য়াওখবা মহৈরোই খরগী পাউখুম চেদা ইচম–চম্না মার্ক তিনশিনবদা অশোয়বা য়াওরম্বা থেংনখি। মহৈরোই খরনা অশেংবা ফঙবা মার্কতগী হেনগৎনা পীরগা খরনা হন্থনা পীরম্বা থেংনখ।পোজিসন হোল্ডং খরগীনা মার্ক তিনশিনবদা শোয়রম্বা থেংনখি। সবজেক্ট–সবজেক্টকী ওইনা খ্বাইদগী মকোক থোংখিবা মহৈরোই ২০গী পাউখুম চেশিং পাউখুম চে অয়াম্বদা হেনগৎনা পীরগা খরনা হন্থহল্লম্বা থেংনখি। এক্সামগী ফল লাউথোক্কদবা শুপ্নতগী মতম নোংমনীনি খক্তা ঙাইরবদা পাউখুম চে খরা নৌনা অমুক য়েংশিল্লম্বা থেংনখি। পূম্নমক অসি য়েংলগা অরাই–অহুই কয়ামরুম চত্থে হায়না ইনক্কারি কম্মিটিনা লৈঙাক্তা রিপোর্ট পীখৎলকখি অমসুং থৌদাং লৈবা ওফিসারশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবসু রিকম্মেন্দ তৌরকখি হায়রি।

# তলাক অহুম্লক হায়রগা নুপী খায়নবা য়াদনবা...

*লমায় ১গী মখা*

লান্না শীজিন্নবা থীংনবগীদমক্তা হাপচিনখ্রে। মখোয় অদুদি নুপী অমনা নৎত্রগা মহাক্না নক্লবা মরী–মতা অমনা নুপা অদুগী মথক্তা পুলিস কেস ফাইল তৌবা য়াহল্লে। অনীশুবদনা,করিগুম্বা মতৈ–মনাও অদুনা য়ান্নবা পুরক্লবদি কেস অদু হন্দোকপা য়াহল্লে। অদুগা অহুমশুবদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমনা নুপী অদুগী ৱা তারবা মদুদা মহাক্কী মপুরোইবগী বেলগী ৱাফম দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমনা লেপ্পা য়াহল্লে। নুংথিলগী পুং ২দা লো মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা বিল অদু লোকসভাদা পুথোরকপা মতমদা চরাংনবা হৌরকখি। কোংগ্রেসকী মল্লিকাআর্জুন খার্গেনা হায়খি,বিল অসিদা অন–কন্সটিট্যুসনেল ওইবা ৱাফম কয়া য়াওবনা মসি হাউস অনীগী সেলেক্ট কম্মিটি অমদা নীংথিনা য়েংশিহন্নবগীদমক রিফর তৌগদবনি। এ আই এ দি এম কেগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট পি ভেনুগোপাল,ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী সন্দিপ পন্দাপধায়সু চপ মান্নবা দিমান্দ তৌখি। ‘ঐহাক্না হাউস অসিদা পাউ পীজরি মদুদি সুপ্রিম কোর্টনা ট্রিপল টলাক অসি অন–কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়খ্রে মরম অদুনা পার্লিয়ামেন্টনা বিল অসি পাস তৌবিনবা হায়জরি। সুপ্রিম কোর্টনা মসি আইননা য়াদে হায়খ্রবনি ।’ হায়না রবি সঙ্কর প্রসাদনা হায়খি। হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাদা গর্ভর্মেন্টনা ওর্দিনান্স অমা জারিদুনা ট্রিপর টলাক অসি চৈরাক পীবা য়াবা লো ওইহনখ্রবনি। পুথোরক্লিবা বিল অসিনা ওর্দিনান্স অদুগী মহুৎ শীনগদৌরিবনি। হৌখিবা চহীগী আগষ্ট থাদা সুপ্রিম কোর্টনা পীবা শিংথানিংঙাই ওইবা ওর্ডর অমদা ট্রিপল টলাক অসি ‘অন–ইস্লামিক অমদি অর্বিটরি’ ওই। অদুগা ধর্ম্মাগী চৎনবীগী মনুং চন্দে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# ‘জনুৱারি ১০ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্না...

*লমায় ১গী মখা*

লোয়ননা লৈবাক্কী ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মফম অমনি।

অসিগুম্বা লমদমসিগী মরুওইবা মফম অমা ওইরিবা নুপী কৈথেলশিং অসিদা চহি কয়াদগী চৎনদুনা লাকপা নীয়মশিং কায়থরক্তুনা নুপী কৈথেলশিং মুৎখিবা য়াবগী ফিভম লাকলে। লমদম অথাপ্পদগী নুপী কৈথেলশিং অসিদা য়োন্নবা পুখৎলকপা পোৎলম খুদিংমক ফীরোল য়াওনা কৈথেল মনুংদা থারম্লগা হনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু হৌজিক্তী লমজাও শোরোক্তা ফম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা অয়ুক অঙনবদগী নুমীদাং অথেংবা ফাওবা কৈথেলশিং অসিগী অকোয়বদা অহাংবা অমত্তা লৈতব মখে মনুংদা য়োল্লিবা পোৎলম খুদিংমক য়োনশিল্লকপা কৈথেল মনুংদা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংগী হিংবগী রাইট পুম্নমক মৎতুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে।

ইম্ফাল সিটি লু–নাননা অমদি নিয়ম চুম্না থম্নবগীদমক্তা লৈরিবা গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং মহুদ, আইএমসি অমদি সেকুরিটি পারসোনেলশিংনা পুকচেল শেংনা প্রজাশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা থবক তৌদ্রিবা মখে ইম্ফাল সিটি লু–নানবা ঙল্লোই। কৈথেলশিং অসিগী ওথোরিটি আইএমসি দা মতম মতমগী কারকপা কাউন্সিল্লরশিংনা কৈতেলগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবগী হুৎতা নিয়মগী ৱাংমদা মফম চাবা চাদবা লৈতবা মখে ফুট পাথ পুম্নমক পোৎফম ফমহনবা লম্বী পুম্নমক পার্কিং পিশিন্দুনা মরান্নাই শেন্দানফম ওম্থোকপদগী খোংনা চৎনবগী লম্বী ফাওবা লৈতদুনা প্রজাশিং অৱাবা মায়োক্নরে।

অসিগুম্বা ফিভমশিং অসি য়েংশিনবীনবগীদমক চিফ মিনিষ্টর, মহুদ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা খুদিংমক্তা কয়ারক হন্না হায়জরবা ফাওবা খংশিন উশিন্দনা লৈথোকপদগী মানা মানা তৌনিংবা তৌদুনা মপু পান্দবগা চপ মান্নরে।

গভর্নমেন্টনা চীংদা অমদি তমগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লুপা ক্রোর কয়া চংনা কৈথেল কয়া শাখ্রে অদুগা শান্নবসু লাওথোকলি। অদুবু দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পৈশা চংনা শারিবা কৈথেলশিং অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমা লান্দনা পোৎফম ফম্নবগী করি করম্বা নিয়ম চলাইখ্রবগো। মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তগী লাকপা মীওই খুদিংমক ইম্ফাল সিটি অসিদা ফমগদবনি হায়রিবদি গভর্নমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংগী কৈথেলশিং শেমগৎলুবগী কান্নবা করিনো। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মার্কেট পোলিসি শেম্বীদুনা মতম মতমগী মতুংইন্না পোৎ চৈকী মমল লেপ্পীদুনা হোল শেল্লর অমদি রিতেল্লরগী খেৎনবা থমদ্রিবমকৈ কৈথেল অমদি লম্বীগী খেৎনবসু লৈতদুনা লমজাও শোরোক্তা ফম্বগী চাং হেনগৎপা লোয়ননা ইম্ফাল সিটিগী লু–নানবা ঙল্লোই।

ইম্ফাল সিটি লু–নাননা থম্নবা অমদি নুপী কৈথেলশিং তুং কোইনা হিংদুনা লৈহৌনবগীদমক্তা লাক্কদৌরিবা জনুৱারি ১০ ফাওবগী মনুংদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপিদ্রবদি কৈথেল অহুম অসিদা লাইসেন্স পায়দুনা ফমলিবা ঐখোয় মীওই খুদিংমক্না লাইসেন্সশিং গভর্নমেন্টতা সরেন্দর তৌবগা লোয়ননা লমজাও শোরোক্তা থোক্তুনা ফম্নবগী ৱারেপ লৌরে মসিদা থোক্লকপা অফৎতগী দাইত্যা খুদিংমক গভর্নমেন্ট অমদি আইএমসিনা পুগদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোংদোকখি।

# বি জে পিনা ওপোজিসনগী থৌদাং...

*লমায় ১গী মখা*

য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিগী অফবা নুমিৎকী মংলান অদু লাক্কদৌরিবা চহি ২০১৯গী এমপি ইলেক্সন অসিগী মতুংদগীদি মাংতাকপগী নুমীৎ ওইনা লাক্লগনি। হন্দক পাঙথোকখবা ষ্টেট খরগী ইলেক্সনদা বিজেপি লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রে। বিজেপি অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙম্লারোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুনাকো গ্রুপসকী মেনেজিং দাইরেক্তর এন ইরাবন্তানা শিল্লি লাংলিবাশিংদা লুপা ১০,০০০গী শেনফম মতেং পাঙখি। থৌরমদুদা কেন্দ্র অসিগী এমএলএসু ওইরিবা ফোর্ম্মর স্পিকর টিঐচ লোকেশ্বর, পিসিসিগী মেম্বর পি সরত, এক্স এমএলএ বিজয় কোইজম, দোলাইথাবী জিল্লা পরিষদ মেম্বর এন সানাতোম্বা অমদি উয়ুম্পোক জিপিগী প্রধান টিঐচ ইনাওচানা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে মেমোরেন্দম...

*লমায় ১গী মখা*

চৎলনখিদে। তুংদা মখোয়গী মরক্তগী মীওই ১০ খনগৎতুনা চিফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পিশিনবা চৎলনখি। চিফ মিনিষ্টরদা পিশিনখিবা মেমোরেন্দমদদু, প্রসান্তবু নোংমৈ কাপ্পনি হায়না মরাল শিরিবা চবুংবম বুধচন্দ্রা (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা সিঐচ বাবুধোন মীয়াম খঙনা আইনগী ওইবা চৈরাক পিয়ু, লৈখিদ্রবা প্রসান্তাগী লোয়নবিদা মশাগা চান্নবা লৈঙাক থবক অমা হাপ্পু অমদি এক্স গ্রেসিয়া পিয়ু হায়বা ৱাফমশিং য়াওরি হায়রি।

# বেহিয়াং পুলিস...

*লমায় ১গী মখা*

কোকহন্নবা হোৎননবা চিফ মিনিষ্টরনা পাউতাক পীখি।

তঙাইফদ্রবদি চিফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা মীফম পাঙথোক্লবসু চিফ মিনিষ্টরনা খঙহনখি। ঙসিগী মীফম অদু হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১৩ অমসুং ১৬ তা পাঙথোকখিবা মীফমশিং অদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা পাঙথোকপনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HORTICULTURE AND SOIL CONSERVATION, SANJENTHONG
IMPHAL EAST - 795001

CORRIGENDUM

No. DH&SC-II/15/CFT/2014(pt-II)/492 — Imphal the 22nd December, 2018

This corrigendum is in continuation of the e-tender even no. dated 06/11/2018, 28/11/2018 and 20/12/2018 for Supply of Plant and Machinery for the project "Re-establishment of Magfruit Factory" under NEC at Food Park Nilakuthi, Imphal east Manipur. As per the previous corrigendum, the last date of submission of bids is 26/12/2018. Now, the tender inviting authority has decided to further extend the last date for submission of bids by another 10(ten) days, (w.e.f. 27/12/2018 to 05/01/2019).

Submission of tender documents and revised important dates are specified below:

| | |
|---|---|
| Closing date for uploading tender document | 05/01/2019 up to 16:30 hrs |
| Closing date of physical submission of Bids, EMD & Tender fee | 05/01/2019 up to 16:30 hrs |
| Date & Time of Opening of Technical Bids | 07/01/2019 at 11:30 hrs. |

Also kindly note that BOQ for Annexure-A- Unit (A) Canning & Bottling equipment for fruit and vegetables has been modified.

For details kindly visit websites: - i) www.manipurtenders.gov.in & ii) www.manipur.gov.in

Sd/-
(K. Kipgen)
Director,
Horticulture & Soil Conservation
Manipur.

SL / BILL / DIPR / 28